# তুংলমচৎকীদমক চাওখৎ খোঙথাং -৯

- চিংশুবম শ্যামজাই -

দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমদা মীখল হায়বসি পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা থৌরম অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মপূং ওইনা য়েংবদা মীখল অসিসু য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমা ওইরিবনি। ষ্টেট-ষ্টেটকী পাঙথোক্লিবা এসেমব্লি মীখল অসিনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক পায়রিবনি। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা পাঙথোকপা লোক সভা মীখলনা ইন্দিয়াগী ওইনা লৈঙাক শেম্নবা মীখল ওইবনা মদুনা হেন্না মরু ওই হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ষ্টেট-ষ্টেটকী পাঙথোক্লিবা মীখল অসিনা লমদম অদুগী লৈঙাক পায়গদবা মরম্না মীয়াম্না পূক্নিং চঙনা খন্থদুনা মীখলদা শরুক য়াফম থোকই। মীপূম খুদিংমক্না মাগী মাগী অপাম্বা মীশক খঞ্জনবগী হক লৈ। অদুবু হৌজিক চৎনরিবা অমদি পাঙথোক্লিবা মীখল খুদিংমক অসি চাওয়েং য়েংবা মতমদা মীপূম খুদিংমক্কী অপাম্বা অমদি অনীংবা খুদিংমক মনীং তম্না পাঙথোকপগী মমি তাদে। মতম মতমগী অমদি ফীভমগী মতুংইন্না ৱাখল্লোন লেপ্পী।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীখল অসিসু অরাইবা অমদি ওইরোই। মরমদি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী মাগী পার্টিগী মীহুৎ কাননবা হোৎনবদা অঙম অঙম্বা শক্তি শীজিন্নরকপা মশানা তাবনি। মদুনা মীচম মীয়ামদা শোকহনবা অমদি ককঙাওনবা কয়া অমা থোকহল্লক্কদৌরিবনি। মীচম মীয়ামগী মনীং তম্না ৱাখল খঞ্জনবগী থৌওং খুদিংমক নম্মৎখিবদগী অচুম্বা অমদি অশেংবা ৱাখল্লোন পূম্নমক লান্না চৎখিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা অমদি অদুমক লৈরি।

অহানবদা, ঐখোয়না মীখলদা করম্বা মীহুৎ খনগদগে হায়বসিনি। এ সী-এসীদা মীহুৎ ওইজগে হায়না থোরকপা মীহুৎশিং অদুদগী করম্না অফবা মীহুৎ খনগদগে হায়বসিসু অরাইবা অমদি ওইরোই খঞ্জে। মীওই অমগী ৱাখল্লোল পূম্নমক মপাম্থোংদা উবা ঙমদবা অমদি খঙবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মীচম মীয়ামগী ৱাখল্লোনসু অদুমক ককঙাওনদুনা লৈরি। অদুবু মীখলগী মতমদদি মীহুৎ অমদি শোয়দনা খন্দুনা ভোট থাদগদৌরিবনি।

অফবা মীহুৎ কদায়বু কৌবগে অমদি করম্না অশেংবা মীহুৎ খনগদগে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙদবা য়াদ্রবা মরম অমা ওইরক্লি। হৌজিক মীহুৎ ওইগনি হায়না থোরক্লিবা মীরেপশিং অসি লোইনমক মশা মশাগী তোঙান তোঙানবা মগুণ লৈজবা ঙাক্তনি। মখোয় খুদিংমক লোইনা অফবনি নৎত্রগা ফত্তবনি হায়না হেক্তা লৌবসু লানগনি। মরমদি মখোয়না ঙাঙথোরকপা অমদি তৌথোরকপা থবক্না খরমখৈদি খঙলবসু মনুং হঞ্জিন্না খঙবদি খরা ৱানা থোক্কনি। অদুদি ঐখোয় করি তৌবা তাই। মীরেপশিং অদুনা মমাঙদা তৌখিবা থবক-থৌরমশিং য়েংলগা খরমখৈদি খঙবা ঙমগনি। মীখল ময়াদা ভোট লেপকে হায়না থোরকপ্রা? শেল পায়রে হায়দুনা পৱার পায়নীংবগী ভোট লেপকে হায়না থোরকপ্রা? অফবা পার্টিদা টিকেট ফংলগা কাগনি খল্লিবরা? মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা নুংঙাইগনি খনবদগী লেপকে হায়না থোরক্লিব্রা? মীরেপ ওইরবদি মীয়াম্নদি মশক খঙবীবদগী থবক তৌবা নুংঙাইগনি খনবদগী ভোট কাদ্রবসু য়াই খন্দুনা মীরেপ ওইগে খল্লিব্রা? মনি অমদি মসল পৱারনা নমদুনা ভোট কাগনি খল্লিব্রা? পৈশাসু লৈজদে, মীসু লৈজদে, মীয়াম্না নুংশিবীরক্কনি খন্দুনা ভোট লেপকে খল্লিব্রা? মীয়ামগী থবকসু তৌগনি অমসুং মীয়ামগী অপাম্বসু নীংবা থুংহনগনি হায়না খল্লগা থোরক্লিব্রা? কারবসু কাদ্রবসু লেপ্তবা য়াদে খল্লগা থোরক্লিব্রা? মীয়াম্না য়ারি, শোয়দনা মায় পাকনি খল্লগা থোরক্লিব্রা? মীয়ামগী থবকসু লেপ্তুনা তৌরক্লি, মখা তানা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ভোট লেপ্তবা য়াদে হায়না থোরক্লিব্রা? ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈননা মীরেপশিংনা ভোট লেপকনি হায়না থোরকখিবা ঙাক্তনি।

অরোইবদা থমজনীংবদি অফবা মীরেপ খনবগা ইরোয়ননা অফবা অমদি তুং কোইনা লৈবাক্কী লৈঙাক মরা চেৎনা পানবা ঙমগদবা পোলিটিকেল পার্টি খন্দুনা ভোট থাদবীরবদি লমদমসিদা মরা চেৎপা অফবা লৈঙাক অমা লৈবা ঙমগনি হায়না থমজরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## জেনিমসতা এম বি বি এসকী সিট মশীং ১০০দগী ১৫০দা হেঙ্গৎপগা মরী লৈনবা ৱাফম খরা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

থা অসিগী ২৪ নিংথৌকাবা নুমিৎতা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোঙখিবা 'জেনিমসতা এম বি বি এসকী সিট ১০০দগী ১৫০দা হেনগৎপা ঙমদ্রিবা কনাগী মরালনো' হায়বা পাউ অমা থেংনজরে। চাউনা য়েংবা মীৎয়েংদদি মরম পূম্নমক মমাঙগী দাইরেক্টরনা শোয়বদগী ওইনা উরে। অদুদসু নত্তনা লুপা ক্রোর ৫৬.৩৭কী শেনফম অমসু লান্না শীজিন্নখিবা মানবগী মওং অমসু য়াওবা অমা লৈরে। মসিগী মতাংদা মখাগী ৱাফম খরা অসি থমজরি।

সিট ১০০দগী ১৫০দা হেনগৎপগা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ৫৪ মণিপুর লৈঙাক্তা পীরকখি। শেনফম অদু মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টর মেদিকেল এদ্যুকেসনদা পীরকখিবনি। শেনফম অদুগী মনুংদগী দাইরেক্টর মেদিকেল এদ্যুকেসনগী জেনিমসকী হোষ্টেল অনী শাননবগীদমক মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসনদা থমখি। লুপা ক্রোর ২২ অদুমক দাইরেক্টর মেদিকেল এদ্যুকেসনগী একাউন্টতা লৈরমখিগনি। জেনিমসকী দাইরেক্টরনা নাথৈদুনা শীজিন্নবগী শক্তি লৈতে।

হান্নসু পনবিখ্রবা ৱাফম অমগী মখা খজিক্তং শমথজবা ওইনা থমজনীংবদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনবদা খুদোংচানবা হায়দুনা জেনিমসকী একাদেমিক্কা মরী লৈনবা থবক খুদিংমক দিন (একাদেমিক্স) না লোইনা পুগনি হায়বা ওফিসল ওর্দর থোক্তুনা শিন্নবনি। অদু ওইরবসু দাইরেক্টরগী মনুংদা দিন (একাদেমিক্স) না পুখৎলকখিবা পূম্নমক্তি মতম চানা লোইনা পাঙথোকখিবনি। দিন (একাদেমিক্স) না অশোয়-অঙাম কয়া অমা লৈরে হায়না লৌরবা ফাওবদসু জেনিমসকী অশোয়বা খক্তদগী সিট ১০০দগী ১৫০দা হেনগৎপা ঙমখিদবনি হায়নদি লৌনীংদে। মরমদি ফোঙবীরক্লিবা পাউ অসিদসু য়াওরিবা ৱাফম্না তাক্লি। হায়বদি এন এম সীগী মায়কৈদগী সিট হেনগৎনবগী ৱাফম খন্নরে। ফিজিকেল এসেসমেন্ট তৌরবা মতুংদা ৱারেপ লৌগদবদু কোভিদ-১৯গী পোজিসননা য়াদবগীনি। ফীনচিংবা থিখিবা পূম্নমক মথং চহী হায়বদি একাদেমিক সেসন ২০২২-২৩গী ওইরগনি হায়রকখিবা অদুনা প্রমাননি। অসিগীসু মথক্তা পঞ্জনীংলিবদি এন এম সীগী ইন্সপেক্সন/ফিজিকেল এসেসমেন্ট তৌরম্লবদি অৱাৎপা খুদিংমক কমপ্লাইএন্স রিপোর্ট সবমিট তৌবা মতমদা মেনখৎনবগী খুদোংচাবা এন এম সীনা পীবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা সিট ১০০দগী ১৫০দা হেনগৎখিদবা অদুদি জেনিমস খক্তগী মরালনি হায়নদি হায়নীংদে হায়না থমজনীংই।

ৱাফম অমনা জেনিমসকী ঈ-মেল অসিদি মরী লৈনবা ষ্টাফ খুদিংমক্না শীজিন্নরিবা মেল আইদিনি। মসিদা এন এম সীনা থারকপা মেল য়াওনা ওফিসল মেল খুদিংমক ষ্টাফ খুদিংমক্না য়েংবা য়াবা মেলনি। অরোন-অথুপকী ৱাফম অমত্তা য়াওদে।

*অদোমগী - টি ঐচ ভিমো*

*উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## মণিপুরদা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীগী মশীং

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরগী মফম শিনবা থুংবদা লৈরিবা য়ূমথোঙ অয়াম্বা টু হ্বিলর অমসুং ফোর হ্বিলরগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী অমমমদি লৈনরে হায়বা য়ারে। লায়রবা ইনাক খুনবা খায়দনা ইমুং অমগী তঙাইফদবা শীজিন্নদবা য়াদবা অমগুম খন্নখিবদগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী অমদি থম্বা শোয়দ্রে। ইন্দিয়াগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেটনি হায়নরিবা য়ু পি, বিহারনচিংবদা মণিপুরদা মরাং কায়না লৈরিবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং অসিগুম্না মীশিংদা অমসুং য়ূমকোক্কী চাংদা য়েংনরুবদা লৈতে। মখোয়গী ওইনা য়ূমথোঙ ১৭ খুদিংগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী অনীগী চাংদা লৈ অদুগা ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনা য়ূমথোঙ ৪ খুদিংগী চাওরাক্না গাড়ী অমমমগী চাংদা লৈ।

শম্না হায়রবদা ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা লৈরিবা কৈথেল মচাশিং য়াওনা ইম্ফাল সিটি মনুংগী অমসুং অকোয়বগী লম্বীশিংদা নম্বর থাদ্রিবা য়াওনা থারবা গাড়ী অহনবা কয়াগী মশীংগা লাক্লিবা মীশিংগা হায়ফেৎ মান্নবগী ফীভমদা লৈরে হায়বা য়ারে। মসিনা মরম ওইরগা পিকখ্রবা ঐখোয়গী মণিপুরদা ত্রাফিক পুলিস মেনশিংনা মীয়াম্বু ত্রাফিক্কী কাঙলোন ঙাক্না চৎহন্নবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক মথৌ চিল্লি। মরমদি ত্রাফিক্কী ভোল্যুম য়াম্না ৱাংবনিনা খজিক্তং মীৎ চোইরুবদা এক্সিদেন্ট থোক্কদবগী ঙাইদুনা লৈবনা ত্রাফিক পুলিসশিং য়াম্না এলার্টতা লৈনদুনা মথৌ তৌই। ইম্ফালগী অকোয়বদা হাংদোক্তুনা লৈরিবা ইঞ্জিন পানবা কয়াগী শো রুমশিংদা ঙসি থেন্দুনা লৈহৌবা গাড়ীশিং হয়েং নোংঙানবদদি উগে হায়বা ফংলোই, মসিগী মরমদি কষ্টমরশিংনা অথুবদা লৈনখিবনা ওইরম্বা য়াই। অদু ওইরবদি ঐখোয়গী মণিপুরগী ইমুং খরখক নত্তনা কা হেন্না শেঞ্জাও পায়দুনা বিজিনেস চাওনা তৌদুনা, অচৌ অচৌবা ফেক্টরি লিংদুনা মীওই ৫০০/৬০০ থবক পীবা ঙম্বা মীশক অমফাও লৈতে হায়বা য়াই।

নৎত্রগনা এগ্রো, হোর্টিকলচর, ফিসরি, পিগ্গরি অমসুং দ্রেসেসকী ওইবা ফার্ম অমসুং কম্পেনি চাওনা লিংদুনা লৈবা মীওই খরগী মফম ইরমদমসিদা ঙসি ফাওবা উবা লৈতে। অদু ওইরবদি লায়রবা ষ্টেট অমদা লৈরিবা ঐখোয়না ইশাগী ইরন্নাই গাড়ী অমমম থম্বগী তঙাইফদবা লৈরিবসি লৈঙাক্কী য়াম্না চাউবা অশোয়বা অমা লৈরমগদবা মাল্লি। অমত্তং হায়জরবদা ঐখোয়গী মণিপুরদা ত্রান্সপোর্ট সিষ্টমগী রেগ্যুলেসন মপান লমগা য়েংনরুবদা শাথীনা চাওনা অশোয়বা লৈবননি হায়নীংই। ত্রান্সপোর্ট সিষ্টম ফত্তবনা অথু অকায়গী থবক চৎপদা নংনদবা অমসুং গাড়ীগী হয়ারিং চার্জ (ভারা) লৈঙাক্কী কন্ট্রোল অমগী মখাদা চৎনগদবদা চৎনদবদগী গাড়ী মপু ওইরিবশিং (ত্রান্সপোর্টর) না মীচম মীয়াম (পব্লিক) শিংদগী লৌনীং লৌনীংবা অহেনবা পৈশা লৌরিবা অমসুং থবক নংনদবনা মীয়াম্না মরন্নাই গাড়ী লৈনীংহন্নবগী অচৌবা ফেক্টর অমনি। মরম অসিনা লৈঙাক্তা হায়জনীংবদি মীয়াম্না মরন্নাই গাড়ী লৈনীংবগী অপাম্বদগী খরদং ওইরবসু হন্থহনবা ঙম্নবা গাড়ী মপু (ত্রান্সপোর্টর) শিংনা মীয়ামদগী কা হেন্না গাড়ী অতোংমল লৌদুনা লৈরিবসি লৈঙাক্না শেম্বা ত্রান্সপোর্ট রুল অমগী মখাদা মতমসিগা চুনবা মমলদা লেপ্পীদুনা গাড়ী মপুশিংদা নিংথিনা ঙাক্না চৎননবা খঙহনবা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী য়াথং ঙাক্না চৎপা ঙমলোইদবা অমসুং ঙাক্তবা গাড়ী মপুশিংবুদি ব্লেক লিষ্টতা মতম চূপ্পা থম্বীয়ু।

অদুম তৌরবদি মীয়াম্না পব্লিক গাড়ী হেন্না পাল্লক্তুনা মরন্নাই গাড়ী লৈনীংবগী ৱাখল থাদোকখিবা থোক্লবদি গাড়ীগী মশীং হন্থরক্তুনা লম্বীগী ত্রাফিক ভোল্যুম হন্থরক্তুনা নোইজ পোল্যুসন থোকপগী চাংসু শাথীনা হন্থখিবা য়াই। মসিগী মতুং তারকপদদি মীয়াম্না করিগুম্বা গাড়ীগী মথৌ তারকপা মতমদদি গাড়ীগী মীওইশিংবু খুদোম্বীনা খৎলগা তৎতনা কৌরক্তুনা চহী চূপ্পা ষ্টারিং থাদোকপা শংদবমখৈ শেল তানবগী নুংঙাইবা ফংবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু অথু অকায়দা গাড়ী হেক্তা ফংলবনা মরন্নাইগী গাড়ী লৈজদবগী নুংনাংবা লৈনররোই। অদুগা অতোপ্পা অমনা ইন্দিয়াগী ত্রাফিক সিষ্টমদা ঐখোয়না থৌদুনা চৎলিবা গাড়ীশিং অসি ইশানা থৌদুনা চৎলিবা লম্বীগী ওই থংবা নাকল লোমদা চৎনরিবা ঙাক্তনি, অদুবু ইম্ফালগী পাওনা অমসুং থাঙ্গাল বজার লম্বী অনীগী পরিংদদি ইশাগী ওই থংবা নাকলদা চৎপগী মহুত্তা য়েৎ থংবা নাকলদা ওইনা চৎনরি .. মসিনা কমদৌরিবা...?

*অদোমগী - এল ইবোমচা, তাওথোং*

**Format C-7**

(for political parties to publish in the newspapers, social media platforms & website of the party)

Information regarding individuals with pending criminal cases, who have been selected as candidates, along with the reasons for such selection as also as to why other individuals without criminal antecedents could not be selected as candidates.

(As per the Commission's direction issued in pursuance of the Order dated 13.02.2020 of the Hon'ble Supreme Court in contempt petition (C) no. 2192 of 2018 in WP(C) no. 536 of 2011)

Name of Political Party : **INDIAN NATIONAL CONGRESS**

Name of the Election : **12th Manipur Legislative Assembly Election 2022**

Name of State/UT : **Manipur**

(1) Name of the Constituency: **22 – Wangoi Assembly Constituency**

Name of the Candidate : **Salam Joy Singh**

| Sl. No. | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | Criminal antecedents | | |
| | a. | Nature of the offences | **Punishable U/S 19/39(2) of UA(P) Act, 1967** |
| | b. | Case no. | **Spl. NIA Case No. 2/2012 dated 24/11/2012** |
| | c. | Name of the Court | **In the Court of Spl. Judge, NIA, Guwahati, Assam** |
| | d. | Whether charges have been framed or not (Yes/No) | **NO** |
| | e. | Date of conviction, if any | **Not Applicable** |
| | f. | Details of conviction, if any | **Not Applicable** |
| | g. | Any other information required to be given | |
| 2. | The reasons for the selection of the candidate. Selection shall be with reference to the qualifications, achievements and merit of the candidate, and not mere 'winnability' at the polls (not more than 100 words) | | **Shri Salam Joy Singh is an energetic youth leader well as graduate in Science. He was elected at the 1st attempted in the 9th Manipur Legislative Assembly Election 2007 from 22-Wangoi A/C. He was close to the 10th & 11th State Assembly Election with small margin. The party has no problem newly to introduce of Shri Salam Joy Singh as a candidate in his constituency. The party has well acknowledged his reputation, integrity & good relationship with people of Wangoi A/C. In the above circumstances, the party has been selected Shri Salam joy as a winnable candidate.** |
| 3. | Reasons as to why other individuals without criminal antecedents could not be selected as candidates (not more than 100 words) | | **There is no aspirant candidate applied for party's ticket in the ensuing 12th Manipur Legislative Assembly - 2022** |

(2) Name of the Constituency - **23 Mayang Imphal Assembly Constituency, IW, Manipur**

Name of the Candidate : **Dr. Kh. Ratankumar Singh**

| Sl. No. | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | Criminal antecedents | | |
| | a. | Nature of the offences | **FIR no. 1(3) 2019 Vigilance & Anti-Corruption Police Station, Manipur at Imphal. Pre-Arrest Bail being no. A.B. No. 48 of 2019** |
| | b. | Case no. | **FIR no. 1(3) 2019 Vigilance & Anti-Corruption Police Station, Manipur at Imphal. Pre-Arrest Bail being no. A.B. No. 48 of 2019** |
| | c. | Name of the Court | **Hon'ble High Court of Manipur. FIR no. 1(3) 2019 Vigilance & Anti-Corruption Police Station, Manipur at Imphal. Pre-Arrest Bail being no. A.B. No. 48 of 2019 An Interim order dt. 29.8.2019 was passed by the Hon'ble High Court of Manipur.** |
| | d. | Whether charges have been framed or not (Yes/No) | **NO** |
| | e. | Date of conviction, if any | **Not Applicable** |
| | f. | Details of conviction, if any | **Not Applicable** |
| | g. | Any other information required to be given | |
| 2. | The reasons for the selection of the candidate. Selection shall be with reference to the qualifications, achievements and merit of the candidate, and not mere 'winnability' at the polls (not more than 100 words) | | **i. Presently serving as the Working President, Manipur Pradesh Congress Committee ii. Former Member of Manipur Legislative Assembly, 2007 - 2012 iii. Former Minister Works, Education & Transport, Govt. of Manipur iv. Chairman, Research Department, MPCC** |

Contd. to P-6...